# সুপ্রিম কোর্ট অমসুং ইন্দিয়াগী ক্রিকেট কন্ত্রোল বোর্দ

—লৈশাংথেম অজিৎ—






***লৈবাক*** অসিগী ক্রিকেট শান্নবগী অশিন অরাং তৌরিবা মালেমদা খ্বাইদগী ইনাকখুনবা শান্নবগী লূপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা বি সী সী আই হায়না খঙনবা বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট হিমাচল মচা, লোক সভাগী মেম্বর ওইরিবা অনুরাগ থাকুর, চহী ৮২ অমসুং লূপ অসিগী সেক্রেটরি অজেয় সিরকেবু সুপ্রিম কোর্টকী হুকুম অমনা মফম লৌথোকখিবদা ইন্দিয়াগী মীয়াম্না লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা ৱায়েলশঙ অসিনা লৌরক্লিবা খোঙথাং অসিবু থাগৎনরক্লি। মরমদি লৈবাক মীয়াম্না ক্রিকেট শান্নবগী অশিল অরাং অমসুং ৱায়েল থৌদা তৌরিবা লূপ অসিগী ফম পুরিবা মীওই খরখক্তনা শক্তি লান্না শীজিন্নবা, শেল থুমগী থবক্তা ময়েক শেংনা থবক তৌরক্তবা, অচান মীরাই নাইরকপা, মেচ ফিক্সিংগী অমদি ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) কী ৱাথোকশিংদা পেন্নরক্তবা, লৈবাক অসিদা লৈরিবা ষ্টেট খুদিংমক্তা লৈরিবা ক্রিকেট এসোসিএসনশিংদা চপ মান্নবা মিৎয়েং য়েংবা ঙমদবা, ফম পায়রিবা মীওইশিংগী নক্নবা মরী-মতাশিংদা হুরান লান্না তৌহন্দুনা খুদোংচাবা কয়া অমুক পীবনচিংবা য়াম্না দিমোক্রেটিক ওইদবা মওংদা মনুং মপান ফাওনা চহী কয়াদগী মথৌ তৌবা ঙল্লক্তবা, চহী অমদা লুপা ক্রোর কয়াগী মপু ওইরিবা লূপ অসিগী ৱায়েল পথাপ অসি অচুম্বা লম্বীদা লাকহন্নিংবগী ৱাহৌ মতম কুইনগী মমাঙদগী লৈবাক মীয়ামদা লাকখ্রবনি।

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) কী মেচশিংদা পৈশা থানবগী মেচ ফিক্সিং, স্পোর্ট ফিক্সিংনচিংবা তৌবগী, বি সী সী আইগী ফম অচৌবা পায়বা মীওইশিংগী মরী মতাশিংদা আইনগী ৱাংমদা খুদোংচাবা কয়া অমুক পীখিবগী থৌদোক কয়ানা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট অসি মীংচৎ কয়া অমুক থিহনখি। ৱাফমশিং অসি সোসিয়েল মেদিয়াদা মালেম শিনবা থুংনা মীকুপ খরগী মনুংদা য়ৌহনবা ঙমখি। ৱাথোকশিং অসিগী মরমদা থিজিন খোৎচিন তৌনবা জষ্টিশ মুদগালনা লুচিংবা কম্মিটি অমা শেমদুনা কূপ্না থিজিনহল্লবা মতুংদা কম্মিটি অসিনা ফত্তবা থবকশিং অসিদা চেন্নবা মরাল লৈবা মীওইশিংগী মশক খঙলকখি। কুমজা ২০১৬ কী জান্যুৱারীদা সুপ্রিম কোর্টনা হান্না কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিশ ওইরম্বা আর এল লোধানা লুচিংবা পেনেল অমা শেমদুনা মুদগাল কম্মিটিনা থিজিনবদা মরাল লৈরে হায়না খঙলক্লবা মীওইশিং অদুদা করম্বা মখলগী চৈরাক পীগনি হায়বা রিকমেন্দ তৌরক্লবা অমদি বি সী সী আইনা চথরিবা ফত্তবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি হেক য়ারিবমখৈ শেমদোক্লবা রিকমেন্দ অমসু তৌরক্লবা মথৌ পীখি।

জষ্টিশ আর এম লোধা, অশোক বাহন অমসুং আর এম রাভিন্দ্রননা কুপ্না থিজিল্লবা মতুংদা মখোয়গী রিকমেন্দেসন অদু সুপ্রিম কোর্টতা লানখৎতুনা কোর্ট অসিনা মখোয়না পীখৎলকপা রিকমেন্দেসন অদু অয়াবা পীখি। সুপ্রিম কোর্ট অমসুং লোধা কম্মিটিনা বি সী সী আইদা রিকমেন্দেসন অদু মখোয়গী অয়াবা পীরক্লবা থাখিবা পাউখুম অমত্তা লাকখিদে, দিসেম্বর ১৫, ২০১৬ ফাওবা থা মঙা মখায় রোম ঙাইদুনা লৈরবদা বি সী সী আইনা পাউখুম অমত্তা পীরক্তনা থওইদনা লৈথোকখি।

লোধা কম্মিটিগী রিকমেন্দেসন সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীদুনা চৎনহন্নবা হোৎনবদা বি সী সী আইনা য়ানিংদবগী মওংদা চথুরকপা অদুদা লূপ অসিগী ফম পায়রিবা, ওফিস বিয়াররশিং অসি লৌথোক্লগা এদমিনিষ্ট্রেটর খরা লূপ অসিগী মরক্তগী খনগৎলগা লূপ অসি ৱায়েল থৌদা তৌহনসি (চলাইহনসি) হায়না কম্মিটি অসিনা সুপ্রিম কোর্টতা অনীরক হায়জখি। সুপ্রিম কোর্টতগী অথুবা পাউখুম পীরক্তবদগী কম্মিটি অসিনা থাগৎখিবা অহুমশুবা মখোয়গী রিকমেন্দেসন অদু সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীবিরক্লবা মরম্না বি সী সী আইগী ফম পায়দুনা থবক পুরিবশিং অসি দিসক্বালিফাই ওইহনগদবনি নৎত্রগা মথৌ অমত্তা তৌহল্লরোইদবনি হায়বদি প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরি খুদক্তা মফম লৌথোক্কদবনি হায়বা ৱাফম পীখৎখি। মতুং তারকপদা সুপ্রিম কোর্টনা অনুরাগ থাকুর অমসুং অজেয় সিরকাবু মফম লৌথোকখি। লৈবাক অসিগী ৱায়েলশঙ অসিনা মখোয় অনীবু মতিক চাবা মী নত্তে, 'অনফিট' নি হায়দুনা লূপ অসিগী থবক মখা তানা তৌহনখিদে। অনুরাগ থাকুরবু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা ৱায়েলাঙ অসিগী য়াথংবু ইকায়খুম্নদবা, থওইদবা, মীনম্বা ৱা ঙাঙবা, মিটিংগী ৱারেপ ইখিববু শেমদোকপা, হুরানবগী লিচৎ চৎপা, মরাল চাউনা লৈবা, নমথাক তৌবা নিপানি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা হায়রি।

য়াম্না থুনমক জান্যুৱারী ১৯, ২০১৬ তগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি অমা শেল্লগা বি সী সী আইগী ৱায়েল থৌদা তৌদুনা লূপ অসিগী থৌশিল খুদিংমক পাঙথোক্কনি। কম্মিটি অসিনা লোধা কম্মিটিগী রিকমেন্দেসন সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীখিবা খুদিংমক থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা নেসনল অমসুং ষ্টেট এসোসিএসনশিংদা চৎনহনগনি। জষ্টিশ চন্দ্রচুদনা লোধা কম্মিটিগী রিকমেন্দেসন সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীখিবা হুকুম অদু লাউথোক্লদুনা চহী ৭০ শুরবশিং, লৈবাক্কী মিনিষ্টর ওইবশিং, লৈঙাক্কী ওফিসারশিং, অতোপ্পা শান্নবগী লূপশিংদা ফম পায়বশিং, মীহাৎ মীপুন অমদি হুরান চিন্থি তৌবশিং বি সী সী আইদা অমদি ষ্টেট এসোসিএসনশিংদা থৌপুবা ওইনা অমদি মেম্বর ওইনা য়াওহল্লোইদবনি। অনৌবা হুকুম অসিনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী ক্রিকেট এসোসিএসনশিং মণিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরাম, মেঘালয়া, অরুনাচল প্রদেশ, সিক্কিমখক্তা নত্তনা বিহার অমসুং উত্তরাঞ্চল য়াওনা বি সী সী আইগী ফুল মেম্বর ওইহল্লগনি, ভোট থাদবা য়াবগী হক পীরগনি। ষ্টেট অমগী মীহুৎ অমা, ভোট অমগী হক লৈহল্লগনি। হৌখিবা চহী কয়ামুক অসিদা হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিগী মেম্বরশিংবু লূপ অসিনা সেকেন্দ ক্লাস সিটিজন অমগুম্না থমদুনা লাক্লিবা অসি ইকায়নীংঙাইনি। খা আফ্রিকাদা কুমজা ১৯৬০ গী মতমদা কুচু ঙৌবশিংনা লৈবাক অদুগী লৈঙাকপা ওইরিঙৈদা কুচু মুবা মীওইশিংবু মখোয়গা লোয়ননা ক্রিকেট, ফুটবোল, রগবিনচিংবা অতৈ মশান্নশিংদসু পূন্না শান্নমিন্নবদা অথিংবা থম্বা, কুচু মুবশিংবু লৈবাক অদুগী ওলেম্পিক টিমদা য়াওহন্দবা, কুচু মুবা ক্রিকেট শান্নরোয়শিংবু টেষ্ট মেচ য়াওহন্দবা 'অর্পাথেদ পোলিসি' চৎথবগীদমক মালেমনা তুক্কচবা লৈবাক অমা ওইনা উখিবা শক্তম অদু ইন্দিয়াগী ক্রিকেটকী লূপ অসিনা মণিপুর অমদি নাগালেন্দনচিংবা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা চৎথদুনা লাকখিবদগী লোধা কম্মিটিনা মখা তানা চথবা থিংলে হায়বা ঐখোয়না মহাক্কী কম্মিটিগী রিকমেন্দেসন্দগী খঙবা ঙল্লে।

বি সী সী আইনা হৌখিবা চহী ৭০ রোম অসিদা চথরক্লিবা থৌওংশিং অসি হঙ্গৎনা য়েংবদা মীচং মীখায় নাইবা, লৈবাক অসিদা লৈরিবা ক্রিকেট শান্নরোয়শিং অমদি ষ্টেট এসোসিএসনশিংবু চপ মান্নবা মিৎয়েংনা য়েংবা ঙমদবা, মশাগী ওইজবদা থিবা, শান্নবদা মপূক্লিং থৌগৎপা ঙমদবা মীওইশিংনা মরুওইবা থৌপুবশিং ওইদুনা লাক্লি।

ইন্দিয়াগী ষ্টেট মহারাষ্ট্রদগী এসোসিএসন অহুম, গুজরাত্তগী এসোসিএসন অনী পূন্না এসোসিএসন মঙা, ষ্টেট অনী অসিদগী বি সী সী আইদা ফুল এফিলিয়েসন পীদুনা ভোট মঙা থাদবা য়াবগী হক পীরি। অমরোমদা লৈবাক অসিগী শান্নবদা পৱার হাওসনি হায়নরিবা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী ক্রিকেট এসোসিএসন তরুকপু ফুল এফিলিয়েসন পীবীদনা ইম্থোক্তুনা থমদুনা লাক্লিবা অসিমক লাইবক থিবনি। জষ্টিশ লোধাগী রিকমেন্দেসন অসিনা ষ্টেট অনী অসিদগী এসোসিএসন অমমম খক্তমক বি সী সী আইদা এফিলিয়েসন তৌহল্লগনি, ভোট থাদবগী হক অমমম খক্তমক ফংহল্লগনি। সুপ্রিম কোর্টনা হেন্না দিমোক্রেটিক ওইবা খোঙথাংদা শান্নরোয়শিংগী এসোসিএসন শেম্বা, কনফ্লিক্ট ওফ ইন্টরেষ্টকী চৎন-কাঙলোন শেম্বা, ইথিক্স ওফিসার, ইলেক্টরেল ওফিসার, মীয়ামগী ৱাকৎ য়েংশিন্নবা লৈঙাক্কী মীহুৎ থম্বা, রেজিষ্টার শান্নরোয়শিংগী এজেন্ট খন্নবা হীরম কয়া অমা মসিগী হুকুমদা য়াওরি। মীয়াম্না ঙাইনরিবদি জান্যুৱারী ১৯ দা সুপ্রিম কোর্টকী হিয়ারিং অসিনা করি অমুক মখা তারকপা য়াই হায়বা অসিনি।

# লমচৎ অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর

—সত্য য়াম্বেম—

***চহী*** লিশীং কয়াদগী লৈরক্লবা চহীচাশিংদুগী লমচৎ অমদি কলচরগী মরমদা নৈনরুনবা পাঙ্গল লৌশিংদি লৈজদে। শুপ্নগী হৌজিক হৌজিক্কী লমচৎ অমদি কলচরনা ঐগী পূক্লিংদা ফাওহল্লিবা অনিংবা অপাম্বসিবু ফোঙদোকচরগা পাবিরিবশিংনা হেন্না ফজবা, হেন্না চুম্বা অচুম্ববু তাকপীরক্কনি হায়বগী ৱাখলদা ইজরিবনি অদুগা অদুগুম্বা হেন্না ফজবা, হেন্না চুম্বা অচুম্বগী তুংসু ইঞ্জনবা মতম পূম্বগী ঙাইদুনসু লৈজরিবনি।

(লমচৎ-মীওইবনা মাগী অনিংবা অপাম্বদু ফংনবা হোৎনবদা লোন্না অমদি ফোংনা পাঙথোক্লিবা মওং-মতৌ মচত্তুবু মীওইদুগী লমচৎনি হায়জগে)

কলচর - খুন্নাই অমগী কাঙলুপ অমগী মীয়াম্না মীয়ামদুগী অনিংবা অপাম্বদু ফংনবা হোৎনবদা লোন্না নৎত্রগা ফোংনা পাঙথোক্লিবা মওং-মতৌ মচত্তুবু মীয়ামগী কলচরনি হায়জগে।

লুরিবদি মীয়ামদুগী অনিংবা অপাম্বা খুদিং অমগা অমগা মান্নদে। অদুনা মশীং য়াম্বা মান্নবা মীয়ামগী শক্তিনা নৎত্রগা অকনবশিংগী শক্তিনা নৎত্রগা থৌদোক-ৱাথোক্না নৎত্রগা শেল-থুমগী ফীভম্না-পাম্না নৎত্রগা পামদনা, ফোংনা নৎত্রগা লোন্না, হোংই খঙনা নৎত্রগা খঙদনা, হোং-হোংদুনা চৎনরক্লিবা মচত্তুবু মীয়ামগী কলচরনি হায়জগে। শম্না হায়রবদা মীওই অমগী মচৎনা মীওইদুগী লমচৎনি অদুগা মীয়াম অমগী মচৎনা মীয়ামদুগী কলচরনি, লোয়ননা লমচৎ অমদি কলচর অনীমক অরোনবা অফোংবা মচৎ লৈ।

মীওইবনা থিরিবসি মপূং ফাবা নুংঙাইবনি-অসিগুম্বা নুংঙাইবসি ফংনবগীদমক ঐখোয় মপূং ফাবা মী, মপূং ফাবা খুন্নাই ওইদবা য়াদে। অদুগা মীওইবা অমদি খুন্নাইসিদা লেপ্লিবসিসু মখোং অহুমদনি - পাঙ্গলগী, লৌশিংগী অমদি লমচৎকী। মখোং অহুমসিদগী অমতং শোত্থবদা মীওইদু, খুন্নাইদু ইনবেলেন্স ওইরিবনি, ক্রাইম থোক্লিবনি। মখোং অহুমসিগী বেলেন্স লৈবা, মপূং ফারকপগী চাংদুতনা মীওইদুগী অমদি খুন্নাইদুগী মপূং ফাবা অমদি নুংঙাইবগী চাংসু লেপকদৌরিবনি। অদুনা মপূং ফাবা মী, মপূং ফাবা খুন্নাই অমা ওইনবগীদমক মখোং অহুমসিগী তোঙান তোঙানবা শাজেলসু অদুম চঙলি- পাঙ্গলগী, লৌশিংগী অমদি লমচৎকী।

পাঙ্গলগী শাজেল ঃ পাঙ্গল কন্নবগীদমক অফবা চীঞ্জাক চারি, অফবা শান্নবুং শেমগৎতুনা মফম, মতম খুদিংমক্তা পাঙ্গলগী শাজেল তৌরি - ঐখোয়গী পাঙ্গল শোত্থদে হায়বা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংনা মালেমদা তাক্লি।

লৌশিংগী শাজেল ঃ লৌশিংদসু অদু মঙাই। লুপা ক্রোর-ক্রোরতনা খুজিং ওইদুনা লিংখৎলিবা স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিদগী পুথোকপা দোক্তর, এঞ্জিনিয়র, সাইন্টিষ্ট, উকিল অমদি আই এ এস কয়ানা ঐখোয়গী লৌশিংসু লেপ্তুনা শাজেল তৌরি হায়বা তাক্লি।

লমচৎকী শাজেল ঃ লমচৎকীদি কদাই? কদাইদনো মাগী শাজেলসিবু? য়ূমদা, স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিদা অমদি শান্নবুংদা তৌরিবা শাজেলসিদি শুপ্নগী মীৎনা উবা, নানা তাবা, শোকপা-পায়বা য়াবা, দিগ্রি, সার্টিফিকেট পীবা মপান্থোংগী ওইবা শাজেল খরসিতনি তৌরিবা।

মসি নত্তবা মীৎনা উদবা, নানা তাদবা, শোকপা-পায়বা য়াদবা, দিগ্রি সার্টিফিকেটসু পীবাা য়াদবা, কনষ্টিট্যুসন্না কোনবসু থুংদবা, আইন্নসু ৱারকপা য়ৌদবা - মীওইবগী অনিংবা অপাম্বসিনা নুংদা পাঙথোক্লিবা মপান নাইদবা মচৎ কয়াসিগী শাজেলদি তৌদ্রি, খন্থরুদ্রি। মসিনি ঐখোয়না খন্নগদবসি, মসিগীদমক্তনি ঐনা ইজরিবসিসু।

হায়নবা লৈ - লন মাঙবা করিসু মাঙদে, হকচাং মাঙবা খরা মাঙলে, লমচৎ মাঙলবদি পূম্নমক মাঙলে। অসুক মরুওইখ্রবা মা অমা মাঙবদা পুল্লপ মাঙলবা লমচৎসিগী মরমদদি ঐখোয় কনানসু করিমত্তা খন্থরুদ্রি, চেকশিল্লুদ্রি। অদুগা মা অমা মাঙবদা করিসু মাঙদ্রিবা লন মাগী মরমদদি শিবা, নাবা কিনদ্রি, শিনরি - মসিনি ঐখোয়গী শোয়রিবসি। মসিনি ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী ঙসিগী ওইরিবা শক্তমসু- পাঙ্গল, লৌশিং, লমচৎ মখোং অহুমসিনা পুগদবা পাঙ্গল লৌশিংতনা পুরি - লমচৎ ৱাৎলি, বেলেন্স কায়রি, ক্রাইম থোক্লি। মসিবুনি লাইরিক হৈরগা লাইসু য়াওদবা হায়নরিবা।

মরম অদুনা মী অমনা মাগী পাঙ্গল লৌশিংদা মীথোই মীহেল্লকপা অমদি মকোক ওইরকপগী দিগ্রী সার্টিফিকেট পুদুনা লাকপগী মতমসে মাবু হরাউ তরাম্না ওক্কদবা মতমদুমক্তি নৎত্রিবা খল্লি - মতমসিমক্তি মপাঙ্গল কনখ্রবা মী অমনা থৌরবা থাঙ অমা পায়রগা ইনাক্তা চেনশিল্লকপগুম কিখিগদবা মতমনি হায়জনীংই- মরমদি মতমসিদি মাগী শাজেল তৌদ্রিবা অনিংবা অপাম্বদুনা মাগী পাঙ্গল লৌশিংদুবু পুনিংবা মায়কৈদা পুদুনা চৎখিগদৌরিবা মতমনি। মরমদুমক্না অসিগুম্বা মতমসিগী পাঙ্গল লৌশিংসিবু ঐনা লমচৎ য়াওদ্রিবা পাঙ্গল অমদি লমচৎ য়াওদ্রিবা লৌশিং হায়না মিংথোঞ্জরিবনি।

লুরিবদি অসিগুম্বা লমচৎ য়াওদ্রিবা পাঙ্গল অমদি লমচৎ য়াওদ্রিবা লৌশিংগী মীওইশিংসিমক্তনি ঐখোয়না ঐখোয়গী লৈবাক্কী ভারি পূম্বা শীন্নরিবসিসু- খন্থদুনা য়েংসি মীয়ামদগী হেন্দোক থোইদোক্লবা মাগী পাঙ্গল লৌশিংদুবু মাগী ৱারক-ৱাতেমদ্রিবা অনিংবা অপাম্বদুনা থৌদারগা মীয়ামগীদমক কাইথরকপা প্লানগী শেনফম পূম্বা চান্মদা নিফু শীজিন্নরগা হুম্ফুনা ফুরিৎখাওদা হাপচিনখিবদা পংলবা মীচম মীয়াম্না করিদি তৌবা ঙম্মীবগে? থিগৎতুনা ফাগদবা শক্তিশিংদুমক্নসু মখোয়বু কনখৎতুনা ঙাকহন শেলহন্দুনা থম্নরিবা মতমনি।

ঐখোয়না খঙই- পাঙ্গলবু লৌশিংনা হোইদুনা পুই, পাঙ্গল লৌশিংবুনা লমচৎনা (অনিংবা অপাম্বনা) হোইদুনা পুই। অসুক মরু ওইখ্রবা লমচৎসিবু শাজেল তৌদবা অমদি ৱারক ৱাতেমদবসিনা লমথোই লমহেল্লবা মা মাগী অনিংবা অপাম্বা ময়ামসিনা মনিং তম্লকপসিবুনি ঙসিগী য়েংহে উহৈদবা মীহাৎ-মীপুনগী কুম্মৈ ময়ামসে-

অসিগুম্বা লমচৎকী খম থেংনা শোন্থরবা পুংফমসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরদা য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অমা খুদোল তম্বীরকপসি য়াম্নমক মতম চাই - কুইনদগী থিদুনা লাকপা ৱাত্তুনতা লৈরবা লমচৎকী শাজেল তৌফম মন্দিরদুমক পীরকপনি খন্না হরাওজৈ - লুরিবদি ঐখোয়গী কলচরবু পুং-ঈশৈ, জগোয়, লীলা-দ্রামা, শুমাং লীলা, থাঙ-তাগী মপান্থোংদা উরিবা খরসিতনা লোইরবগুম পেন্থোক্তুনা লৈরিবসিনি।

মসি নত্তবা মীৎনা উদবা, নানা তাদবা, শোকপা-পায়বা য়াদবা মীওইবগী অনিংবা অপাম্বসিনা নুংদা পাঙথোক্লিবা করপসনগী অমদি গন কলচরগী তৌহৈদবা মপান নাইদবা ময়ামসিবুদি ঐখোয়গী কলচর চিংদ্রিবরা?

পীনা পীনা পীদ্রবা, লৌনা লৌনা লৌদ্রবা ফোংনা লোৎপা করপসনসিবু ঐখোয়গী কলচর নৎত্রিব্রা?

অনিংবা অপাম্বতবু ফংনবা, মীরক্তা নোংমৈ কাপশিল্লিবা, য়ূম্লক্তা বোম লংশিল্লিবা, গন কলচর হায়নরিবসিবু ঐখোয়গী নত্তে হায়খিগদ্রা?

অসুক ফৎত্রবা মচৎশিংসিবু ঐখোয়গী কলচরদগী ফিলত্রেসন তৌদুনা চুমথোকপগী পান্দম য়াওদ্রবদি কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অমা লিংলুবগী কান্নবসিবু করি ওইগনি?

ঈরৈবাক ঈরমদম ইমা লৈবাক, খোঞ্জেলসিনা ৱাংখৎলক, ঙমখৈনা অসুম পীকশিল্লক - থৌগলনা অৱাবা য়েল্লিবা - চেঙদা নূংকুপ য়ানশিনবা, চেঙগী মরুম থুপতুনা নূংনা তৌহৈদবা তৌরিবা! শঙ্গোমদা ঈশিং য়ানশিনবা, শঙ্গোমগী মায়খুম উপতুনা ঈশিংনা করি তৌরিবা? অফবনি ফত্তবনি খঙদ্রবা, অচুম-অরানসু মান্নখ্রবা, অমত্তসু খন্দোকপা ঙমদ্রবা, পূম্নমক পুমতৈ তৈরবা ...!

অসুক ফৎত্রবা মীওইবগী অনিংবা অপাম্বগী মচৎশিংসিবু চুমথোকপগী পান্দম য়াওদ্রবদি য়ুনিভর্সিটি চান্মা লিংখৎলবসু খৎনবগী ঈফুত্তি লোইবা নাইরোই। মরমদি মীওইবগী পূক্লিং ৱাখলসিনা খন্নিংবা মফমদু য়ৌনা খনখিবদা অমদি নিংনীংবা মফমদু য়ৌনা নিংখিবদা থিংলুগদবা শক্তি মালেমসিদা লৈত্রিবনি - অসিগুম্বা অনিংবা অপাম্বসিবু মসিমদি ফত্তে খনগনু, মসিমদি ফত্তে পামগনু হায়দুনা ইশানা ইশাবু ফাজিনবা তম্বগী শাজেলসিবুনি লমচৎকী শাজেল হায়জরিবসি।

অসিগুম্বা শাজেলসিগী চৎন-কাঙলোনদি অখঙ অহৈ, পন্দিট অমদি মহাপুরুষশিংনা থম্বীরম্বা ৱারী লাইরিকশিংদগী নৈনবীবা নত্তনা মসিমকনি হায়না তাক্কদবদুদি ঐগীসু লৈজদে। অদুবু ৱাফমসিবু কাংবা হৌরুবগী তঙাইফদবা খরদি অদুক থমজগে।

১) মীপুম খুদিংমক্তা অচুম-অরান, অফ-ফত্তবা খন্থবগী শক্তি য়াওরি - লোয়ননা মফম মতম খুদিংমক্তা মীয়াম্না অফবা অচুম্বনি হায়নরবা ইশানসু য়ারবা অদুগুম্বা অফবা অচুম্বদুগীদমক ইশাদা য়াওবা পাঙ্গল লৌশিং পূম্বা শীজিন্নদুনা অফবদু ওইনবা হোৎনবা।

২) অফবা ওইবা ঙমদ্রবসু ফত্তবতদি ওইরোই হায়দুনা ফত্তবা অরানবশিংবু শোক্তনবা পূক্লিং ৱাখলবু লাকশিনবগী শাজেল তৌবা।

৩) মশক নাইবা মীওই কয়াগী পুন্সিবু নৈনদুনা মখোয়না মখোয়গী পাঙ্গল লৌশিংবু করি করম্বা লমদা করম্না শীজিন্নখিবা হায়বদু ইশা ইশাদা পানশিন্দুনা শাজেল তৌবা।

৪) ঐতগী হায়বা ৱাখল থাদোক্তুনা মীনা ঐঙোন্দা তৌরকপদা নুংঙাইরোইদবা অমত্তসু অতোপ্পদা তৌরুরোই হায়না অচেৎপা ফিরেপ থমদুনা পূক্লিং ৱাখলবু লাকশিনবা তম্বা।

৫) ইশামক্কী অৱা-অনা অমদি নীংজবা পামজবা পূম্নমকপু ফাজিন্দুনা নমথদুনা থল্লগা মীয়ামগী অৱা-অনাবু অমদি অনীংবা-অপাম্ববু ইশামক্কী ওইহন্নবা হোৎনবা- মদুগী শাজেল তৌবা।

লমচৎকী শাজেল তৌরমদাইদা মীওইবগী লমচৎসিনা খ্বাইদগী শোন্থবা মফমসি কদাই কদাইৱাইদনো খঙদোকপা-

১) লন-থুম, শম্পতিগা মীওইবগী অনীংবা অপাম্বসিগা অনীসিগী তাইনফমসি - মীওইবগী লমচৎনা খ্বাইদগী শোন্থবা মফমনি - মফমসিদা মীওইবনা খৎনরিবগী চান্মদা মরিফুতরাদি লৈরে - মরম অদুনা মফমসিগী শাজেলনা খ্বাইদগী মরুদা লৈরে।

২) নুপা-নুপী, লাবা-অমোমগী মরক্তা লৈরিবা মরীসিসু লমচৎনা য়াম্নমক শোন্থফম খুদোংথিবা মফমনি - শাজেলসি অরাইবদি নত্তে।

৩) মীংচৎ, ঈজৎ থক-খা ফমগী মতাংসিসু লমচৎকী শোন্থফম শাজেল তৌগদবা মফমনি।

পূম্নমসিবু নৈনরগা লমচৎকী শাজেল হায়বসি ইশাদা য়াওরিবা পাঙ্গল লৌশিংবু ঐগী অনীংবা অপাম্বনা পুনিংবা মায়কৈদা পুখিদনবা লাকঙম-ফাঙমদ্রবা পূক্লিং ৱাখলবু ফাজিন-পুনশিনবা তম্বগী ইশানা ইশাবু ৱারকচবা তম্বগী শাজেলনি।

অরোইবদা পাবীরিবশিংগী পূক্লিং চিংশিঞ্জরগা মফম মতমদি চাদনা ফোঙদোক্তবা ঙমদ্রিবদি - মালেমসিদা থোকখ্রবা, থোক্লিবা, থোক্লক্কদৌরিবা খৎন-চৈনবা পূম্নমক্কী চান্মদা মরিফুতরাদি পূক্লিং ৱাখলসিগা লন-থুম শম্পতিগা অনীসিগী মরক্তা থোরকপমক্তনি। অসিগুম্বা খৎনবা অসিবু খামজিন্নবগীদমক্তা চহী লিশীং কয়াদগী হৌনা অখঙ অহৈ গ্যানিশিং, পন্দিতশিং, মহাপুরুষশিংনা লাউদুনতা লাক্লি - "পূক্লিং ফাজিল্লো, ৱাখল লাকশিল্লো, অথোই-অহেন পাম্লগনো" অদুবু কনাদি ঙমখ্রে অমদি ঙল্লকখিগদৌরি - মীথোই মীহেল্লবা মহাপুরুষ মখোয় খরখক্কী নত্তনা?

খন্থনীংঙাইমক্তনি - শোক্নরিবা লানসিনা পূক্লিং ৱাখলসিগা লন-থুম শম্পতিগা অনীসিগী মরক্তনি - খাম্লিবনা শুপ্নগী নাকল নাম্মখক্তদা - মদুসু মীৎনা উদবা, নানা তাদবা, শোকপা-পায়বসু য়াদবা, কনষ্টিট্যুসন্না কোনবা থুংদবা, আইন্নসু ৱারকপা য়ৌদবা পূক্লিং ৱাখলসিবুতনি ফাজিল্লু লাউরিবা!

অদুগা মীৎনসু উবা, নানসু তাবা, শোকপা পায়বা, ফাবা পূনবসু য়াবা অদুগী মথক্তা পূক্লিং ৱাখলবু মতম চুপ্পগী মীহৌ মীকাহনবগী মরানসু চাওনা লৈরবা - লন থুম শম্পতিসিবুদি নোংমতসু ফাজিল্লু লাউখিদ্রি!

অদুনা য়েংখিবা তারি - মীৎনা উদবা, নানা তাদবা, শোকপা-পায়বসু য়াদবা পূক্লিং ৱাখলসিবু ফাজিন-পূনশিনবগা মীৎনসু উবা, নানসু তাবা, শোকপা পায়বসু য়াবা, লন-থুম শম্পতিসিবু ফাজিনবগা - অনীসি করম্বনা হানবা লমজেল থানখিবা তারি!

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৯

১। 'নুংশি ৱাখৈবা' উপন্যাসকী অইবদু কনানো?
২। 'থোঙ লোনখ্রবা পান দুকান' ৱারীমচাগী লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?
৩। ''অদুবু ঙসিদি/য়েকপা ঙমদরে মী অমদি শাগী খেন্নবা'' ৱাহৈশিংসি অইবী কনানা হায়বনো?
৪। 'Iris of the Sky' হায়না ইংরাজিদা শৈরেং লাইরিক অমা হন্দোকপা হন্দোকলোয় অদু কনানো?
৫। 'ঈশৈ অমতং নঙমুক ফজবা' ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জান্যুৱারী ১৩, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।